# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-5

(The change in the world climate over the time)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) থোইবা - লৌমী (২) লনচেনবা - বি.ডি.ও. (ব্লোক ডিভেলপমেন্ট ওফিসার) (৩) তোমথীন - খুঙ্গংগী পাখং

নুপী:- (১) সনা তোম্বী - ডিপুটি দাইরেক্টর, ইনভাইরোমেন্ট দিপার্টমেন্ট (২) কোরৌঙানবী - থোইবগী মচলনুপী

(মফম: খুঙ্গং, মতম-অঙনবা অয়ুক, থোইবগী য়ুম)

থোইবা :- ইবেন্মা ..... কোরৌঙানবী ... কোরৌঙানবী নঙবু কদোমদা লৈগে।

কোরৌঙানবী :- ঐ সিদা লৈয়ে তাচৌ করি হায়গে?

থোইবা :- নঙবু অয়ুক্কী থবক ইনখাং লোইশিল্লবো?

কোরৌঙানবী : তাচৌ ঐ অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা ঈশিং অমতা লৈতদনা, ঈশিং সনাবুল অমখক আ মমাং পুখ্রি অচৌবদগী শোল্লুবা হল্লকপদা ঙাইরিয়ে।

থোইবা :- হায় মমাং পুখ্রি অচৌবদুবু ঈশিং কয়াম লৈহৌরিবগেনে?

কোরৌঙানবী :- খজিত্তং ঙাইহৌরে, ঙসি নোংনিনিসিদা কুমগী নোং তারক্ত্রবদি শোয়দনা কংলনি। মী ময়াম ঈশিং শোল্লুবা থোরল্লবদি ঈশিং লোয়না নৈরনি হায়দুনা ময়াম শোল্লবা থোল্লক্ত্রিঙৈদা শোকহৌরিনে।

থোইবা :- নোংসিনা মতারক্ত্রবদি হন্দক্কী চহিসিদি ইকং থোল্লনি, কমদৌনি তৌরিসিদি লৌবুকসু লৈক্রক চৎপা হৌরবনি, ইবুং লৌবুক চৎলুগে তরবুজ খরা পাল্লিবদো হেকপা য়াবা য়াওবরা অমুক্তং য়েংলুগে। লৌরিসু য়াল্লুগে, য়োৎপাক থাংজৌদু অমুক্তা পুরকউ।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ (লৌবা চঙখিবা)।

থোইবা :- (মতোমতা ঙাংজবা) মতম অমদদি খুঙ্গং অসে লৈহাও লৈবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংবা, মহৈ মরোং মরিক চুম্না পানবা, অৱাৎ-অপা লৈতবা খুঙ্গং অমা ওইরম্বনিদকো। চহি খরসিদা খুন অসে লমগং হায়বদু ওইরকপগুম তৌরকইবসিবু।

কোরৌঙানবী :- তাচৌ সে য়োৎপাক থাংজৌ হায়বদো অদো তাচৌ চাক্তি হোরেল লৌবুক্তা ওইনা থিল্লকউ হায়রিরো।

থোইবা :- ঙসি নোংনিনিসে শাবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলকপগুম তৌই, ঙসি অসিসু য়াম্না শাগদবা মাল্লি, নঙবু হোরেল ৱারোইদরো নুংশা মরক্তুদা লৌবুক্তা লাকপদুবু।

কোরৌঙানবী :- কৈসু ৱারোইদা, ঐ হোরেল অদুম থিল্লক্লগে, তাচৌ লাকথোক লাকশিন তৌদোই শরুক।

থোইবা :- হোই হোই, ফরে ফরে, অদুদি তাচৌ অমুক চৎলুখিগেকো (চৎখিবা)।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ। ... ঙসিদি করি এঙ্গাং ওইনা থোংসিগে... উম হৱাইজারসু লৈ, মনা-মশিং খরা থিরগা হৱাইজার চগেম পোমশিল্লগে (মথন্তা হায়জবা)।

তোমথীন :- (শজিক মপুন অচৌবা অমা দম লাওনা থাদবা) ইস ! ৱাইহে ঙসিদি ঙন্তানা হুমাং শৌরে, শজিক ফানফমসু অমত্তা লৈরক্তরে, নোং তাদ্রবনিনা শজিক অনৌবসু অমতা চোংদরে।

কোরৌঙানবী :- কৈনো খঙদে, শজিক মপুন অদুক চাউবদুবু মীগী তুংদা দম লাওনা খঙথা থাদরকইদুবু খঙঙিনে।

তোমথীন :- (নোকপা) থওইনা খঙহনগে হায়দুনা থাদরিনি, খঙবু খঙমনদে।

কোরৌঙানবী :- কৈনো শজিক মপুন মরক্তুদা য়াওরকইদুবো?

তোমথীন :- সে আ পাৎয়াইদগী থরো মরি খরা হেকপীরকপনি, নঙ শিংজু য়াম চাগল্লি হায়দুনা।

কোরৌঙানবী :- (হরাওনা) ফরেদা... ঐ থরো মরি শিংজু চানিং লৈরম্মীনে, ... উম... চগেম অমা পোম্মবা, শীংজুসিমা সুরবা অস ... হাওবনা লোইরনি। তোমথীন ! ঙসিদি নঙ অমুক চাক থোঙলুরনু ঐখোয়দা ওইনা অদুম হাপলগে।

তোমথীন :- চাক্কা লাইরি ঈশিং গ্লাস অমত্তা হান্না পীথকউ, খনাও অসে খ্রক খ্রক কংলে, নুংশাসিসু শাগৎলক্লে, শাবগী চাংসে চহি খুদিংগী অসুম অসুম হেনগৎলকপদৌনা তৌরে।

কোরৌঙানবী :- সে ঈশিং হায়দো থকওসে। হৌজিক কদাই কদাইদা অমুক চৎলুখিদোইনো?

তোমথীন :- আ মমাংগী লম্পাক্তুদা ষণ শেল্লুখিদোইনি।

কোরৌঙানবী :- ঐখোয় তাচৌগী চাক থিনবা চৎকনি অদুদা নঙগীসু অদুম পুবিরক্লগে, লম্পাক্তুদা অদুম লৈরম্মুকো, লৈরমদ্রদি চরা হেনজরে, ঐদি কোইথি কোইথিগাদি থিরকওইকো (নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(চিংয়াগী লম্বী, নুংশা য়ক লাওনা শাগৎলকপা মতম)

লনচেনবা :- (গাড়ী থৌনা থৌনা মতোমতা শোঞ্জবা) ঐনা মফমসিদা লাক্তবসে চহি তরামুক সুরক্লমাল্লে, ইস! কয়াদা ওল্লমল্লবা মফমসিগী শক্তমসে, মতম অমদা উপাল-ৰাপাল, হৈপাল-লৈপালতনা পুমশং শং, মায়কৈ খুদিং পুমথন থল্লম্বা য়েংবগী পেনবা নাইদবা খুঙ্গংসে হৌজিক্তি উফুল ৰাইফুলতনা পীক থল্লে, মরুভুমিগুল্লে।

কোরৌঙানবী :- অদা কার অমা তপ্লি তপ্লি থৌরক্লিবসিবু কনা ওইরিগবা ? ... হুম ... নুংশানগা শাবনে ঐ লৌবুক য়ৌনবা প্রপ প্রপ চৎলগে, তাচৌ চাক লাল্লমলনি (মতোমতা ঙাংজবা)।

লনচেনবা :- থোইবাহোয়গী য়ুমদুবু য়ৌগদবা কয়াম ৰাৎলিজাৎনো, কুইনা লাকমন্দদনা কাওথোকখ্রে... আদা লৈশাবী মচা অমা লাকইবসিদা হেক্তা হংলগে... (কৌবা) হো ইবেম্মা.... ইবেম্মা... আ করিনোমতা হংজগেবা ? (গাড়ী খাম্বা)।

কোরৌঙানবী :- আ দাদা করি হংবীগদবা, করি ওইরবনো হেক্তা হায়বীয়ু।

লনচেনবা :- থোইবহোয়গী য়ুমসিবু য়ৌগদবা কয়াম ৰাৎলিবগে?

কোরৌঙানবী :- থোইবা হায়রিসিবু ... করি য়ুম্নাক ওইবীরবনো, অৰাং লৈকায়রোইমগীরা, মখা লৈকায়রোমগীরা, থোইবা কৌবদি য়াম্না লৈয়ে ঐখোয় খুনসিদদি।

লনচেনবা :- মখোয় য়ুম্নাক্তবু ... আ শোয়বম ওইরমাল্লে, লৈকায়না অৰাং লৈকায়।

কোরৌঙানবী :- এ ! অদুদি দাদানা থীরক্লিবা মীওইদুদি ঐখোয় তাচৌনে।

লনচেনবা :- ঙাইখোনে, নঙবু থোইবগী মচলনুপী কোরৌঙানবীরনে?

কোরৌঙানবী :- উম মান্নে।

লনচেনবা :- হায়মা নঙদি লৈশাবী ফারম্মে, ঐনা নহালৰাই লাক্লম্বা মতমদদি নঙদি পীশক পীক্লা লৈহৌবনি অদুদদি কদাইদগী খঙলনি।

কোরৌঙানবী :- আ... অদুদি দাদাসে ইম্ফালদগী দাদা লনচেনবা, ঐ খরা খরা নীংশিংলকপগুম তৌরে।

লনচেনবা :- মানি ঐ নঙগী দাদা লনচেনবনে, নোয় তাচৌ লৈহৌবরো? নোয় উনদবা কুইরে হায়দুনা লাকইবনে, ঐ সিদগীদি নোয়গী খুনসিদা লৈরদবনি।

কোরৌঙানবী :- অওইবরা দাদা (হরাওবা) ...। ঐখোয় তাচৌদি তু আদা উরিবা লৌবুকসিদা থবক শুরিবনি, ঐ মাগী চাক থীনবা চৎলিবনে, লাকও দাদা লৌবুক্তা ওইনা ঐগা চৎমিন্নখ্রসি।

লনচেনবা :- হোয় চৎলসি, গাড়ীসে স্বাইগী উরুমসিদা থৌজিল্লগা থল্লম্লগে (গাড়ী থৌজিনবগী মখোল।

-ম্যুজিক-

(মফম- লৌবুক, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

কোরৌঙানবী :- তাচৌ ... তাচৌ... চাক পুরক্লে লাকও ... (হরাওনা) কনানোম্মসু তাচৌ উনবা লাকইয়ে, থুনা লাকও সিদা।

থোইবা :- লাকএ... লাকএ ... কনা লাকএ হায়বনো (নকশিল্লকপা) কনা ...।

লনচেনবা :- ভাই ঐনে, ঐবু কাওরবো ... নঙগী মরুপ লনচেনবা।

থোইবা :- (ঙক্লা) লনচেনবা ! কুইরেদা ইবানি উনখিদবা, অসুক কুইবসে নোংমতসু নঙনা ঐবু থিরকখিদে, ঐনসু লাইরা মচা ওইরুবনিনা ইমুং-মনুং পুবা ঙম্নবা হোৎনবদা নোংমতসু নঙবু থীরকপা ঙমখিদে (মথৱাই নুংঙাইতনা হায়বা)।

লনচেনবা :- অদো ভাই ঙসিদি ইবানি অমুক উনরেদনা, ঙসিদি কয়াদা নুংঙাইরবা।

থোইবা :- নঙদি হৌজিক করি করি হোৎনরিগে, ঐদি বি. এস. সি. লোইরগা লাইরিক মখা তমথবা অদুম ঙমখিদরে, ইমা পাজীসু লৈখিদরে, লৌ খরা খরা উদুনা, মনা-মশিং খরা থাদুনা হীংনবা হোৎনরি।

লনচেনবা :- ঐ মফমসিগী, নখোয়গী খুনসিগী ব্লোক ডিভলপমেন্ট ওফিসার ওইনা লাকঅবনে, থবক হেক জোইন তৌবগা নঙবু উনগে হায়দুনা থীরক্লিবনি। খুঙ্গংসিগী চাউখৎ থৌরাং কয়া ইবানি চংদুনা হোৎনমিন্নসি।

কোরৌঙানবী :- তাচৌ চাকসি হান্না অমুক্তা চাথোকখিসি, ৱারীদো কোন্না অমুক মেন তানা ফজনা শান্নরসি। দাদা লনচেনবা নচন্না হৈতা হৈতা চগেম পোমলকপনি ঐখোয় তাচৌগা খরা চামীন্নবীয়ো, মহাও খরা য়েংবীয়ু।

লনচেনবা :- ইচন্না থোংবা চাক এঙ্খাং ঙসিদি চাবা তারেদনা (হরাওনা)।

কোরৌঙানবী :- অদুদি তাচৌ ঐ তোমথীনগী চাক খজিক্তা থীনবীরুখিগে, থেংজিল্লক্লে মাসু চাক লাল্লমলনি।

থোইবা :- হোয় হোয় থীনবীরুরো অদুগা য়ুমদা প্রপ প্রপ হল্লোকো, নুংশা শাবসিদা নকোক্তু অমুক চীক্লনি।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ। দাদা লনচেনবা ঐ অমুক চৎলুখিগে।

লনচেনবা :- চৎলো চৎলো। (ফোন রিং লাকপা) .... হল্লো.... ইচে কৈদৌরগে?

সনাতোম্বী :- নঙবু থবক মফম য়ৌরব্রা? জোইন তৌরব্রা হংগে তৌবনি।

লনচেনবা :- য়ৌরে, জোইনসু তৌরুরে, ঐ হৌজিক থোইবগা মাগী লৌবুক্তা লৈরিয়ে।

সনাতোম্বী :- হায়মা নঙবু থোইবগা থেংনরবরো, ফরে ফরে থোইবাহোয়গী খুঙ্গংদো ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং ফংলবা ভলনেরেবল ভিল্লেজশিংগী মনুং চল্লবনি অদুনা ইচেসু মখোয়গী খুঙ্গংদুদা লাক্তুনা ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট ডিপার্টমেন্টনা পায়খৎপা য়াবা থবক কয়া পায়খৎনবা খন্নবা হৌরবনি, ইচেসু মফমদুদা য়াম থুনা লাক্লবা তৌরগে।

লনচেনবা :- ফরে ইচে, ঐখোয় পুন্না উন্নরগা করি করিনো তৌবা য়াবা থবক ময়াম খন্নরসি।

সনাতোম্বী :- হোয় হোয়, থম্মে থম্মে (ফোন থমখিবা)।

থোইবা :- কনানো হৌজিক্কীদুবো?

লনচেনবা :- ঐখোয় ইচে সনাতোম্বীনে, মাসু হৌজিক ইনভাইরোনমেন্ট ডিপার্টমেন্টদা ডিপুটি দাইরেক্তর ওইনা পুরিবনি।

থোইবা :- কুইরেদা ইচেগী মৰা-মপাউ তাখিদবসু, নুংশিবনিদা ইচেদো, ঐবুসু য়াম্না লুনা তৌবীবনি। ইচেদি ময়ুম মকে পানখ্রবরো?

লনচেনবা :- অস ! ভাই ময়ুমগা অমত্তা পাল্লু হায়বা য়াদরে, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা শোকহল্লবা মফমশিং অমুক হান্নগী ফীভমদা হনজিলহন্নবা, মালেম অসিবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা মা ময়ুম পানবগা অমত্তা শংদরেদা (নোক্লগা)।

থোইবা :- অওইবনি মরুপ, ঐখোয়গী মালেম অসিদা হোংলক্লিবা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ, নোংজু-নুংশাগী ফীভম অসিদগী ঐখোয়না ঙাকথোক্নবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয় থৰায় পানবশিংসে মালেমসিদগী শোয়দনা মুৎথ্রগনি।

লনচেনবা :- অচুম্বনি মরুপ, হৌজিক ইচেহোয়গী ডিপার্টমেন্ট, ঐখোয়গী ব্লোক ডিভলপমেন্টগী ওফিসিয়েলশিং অমদি লমদম অসিগী খুঞ্জাশিং পুন্নমক অমতা ওইনা পুনশিন্দুনা খুঙ্গং অসি কার্বোন পোজিটিব ভিল্লেজ অমা ওইহন্দবা য়াদ্রবনি। মসিদা নহাক্না খুঞ্জাশিংবু গ্যান তাহন্দুনা মায় পাক্না হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌবীগদবনি।

থোইবা :- নহাক্না হায়রিবা কার্বোন পোজিটিব ভিল্লেজ হায়রিবসি কার্বোন দাইওক্সাইদ থদোরকপগী চাং য়াম্না নেম্না লৈবা অদুগা নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোন দাইওক্সাইদ চাং ৰাংনা চুপশিনবা ঙম্বা, উ-ৰা মরাং কায়না হৌবা, ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক-লৈহাও তরু-তরু তশেং তশেং লৈবা মফম অদুবু নৎতরা।

লনচেনবা :- উম মানি, ইচে লাক্লগা অমুক ফজনা ঐখোয় করি তৌসিগে হায়বদু খন্নরসি, তান্নরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: চীংয়াগী লম্পাক, ষণশিংনা কন্না কন্না খোঙবা)

তোমথীন :- হায় অরাঙবী ... অমুবী ... অঙৌবী... নোয়বু কৈদৌগে...অদোমদা চৎখিগনু হায়বনি, মীগী মনা-মশিং এঙ্খাং-নাপীশিং চাথোক্লুরবদি ৰা থোকপা তারে হায়মী (স্বর শাংনা হোনবা)। নুংশানা মরোল অমা শাবনে, ইশাসিসু চোকথবনা লোইরে, চাকসু লাম্বনা মীৎসে তন্দন পাইরে। হায় ... হায় ... হায়... হায়রিমক্তদা ... নখোয়বু ঙায়খো হায়মী... অঙাংবী... অমুবী ... (তান্নখিবা)।

কোরৌঙানবী :- (ঈশৈ ঙং ঙংদনা লাকপা) লা... লা... লা... হুম ... হুম ... হুম ... নুংশানা শাবনে... হুমাংনা শৌবনে... লা ... লা... লা... ।

তোমথীন :- (শাওনিংবা) ইস ! ঐনা সোমদা চরি তৎপমখৈ ঙাইরগামানা হৌজিক্তা ঈশৈ ঙং ঙংদনগা লাকইনে, য়ারে নঙগী চাক্তু অমুক পুরগা চৎখ্রো, ঙসিদি ঐ চাক্কা অমতা চানিংবা ফাওদরে।

কোরৌঙানবী :- তোমথীন নঙসিদি ওস্থোক্লা শাওগনখরে, ঐনা মোন্দা নুংঙাইনা পাও অমা তন্বীগে হায়দুনা লাকলিসিদি, তন্মরোই... সে নঙগী চাক, তিফিনসিদা য়াওরবনি, চাগে চারো, চারোই তোকও ঐগীদি পুবিরকফম থোকপা পুবিরকএ, সে সিদা থল্লম্লগে, ঐ চৎলে।

তোমথীন :- ঙাইখো হায়মী, ঐনা নতৌ য়েংগে তৌরগা, শাওবদি ঐঙোন্দগীদি নঙনবু খরা হেন্না শাওগল্লি, করি ৰানো তমগে হায়রিবো, তম্মো লাকও তানিংবনা লোইরে, সে হৈনৌ মখোঙসিদা ফমসি লাকও, লাকও হায়মী।

কোরৌঙানবী :- (শাওরী শাওরী) হেক শাওনিংবা, চাকসে হান্না চাথোকখোও ।

তোমথীন :- (চাক চাবগী মওং) হাওইহে, ঙসিগী নঙগী চগেমপোম্বসিদি... উম ! থরো মরি শীংজুসিসু খোইথুম্না হেক হাওই।

কোরৌঙানবী :- শীংজু মোরোক শাখ্রসিবু , খোইথুমনৈগা হায়জিল্লিসে, হুম নোকপু নোক্লিংই ঐদি (নোকপা)।

তোমথীন :- নঙ হরাওনবা হায়বীবনি কৈনো, সে নঙনা ৰা অমা তমগে হায়বদু করি ৰানো হায়রো হায়বা ঐ য়াম তানিংঙে।

কোরৌঙানবী :- (নোকমী নোকমী) অদুবুরো ঐখোয় তাচৌগী মমান্নবা দাদা লনচেনবদো ঐখোয়গী খুঙ্গংসিগী বি. ডি. ও. ওইরে হায়য়ে, ঐখোয় তাচৌগী মনাক্তা লাকহৌয়ে।

তোমথীন :- অওইবরো নঙনা হায়রিসিবো?

কোরৌঙানবী :- উম অওইবনে, মানা হায়রিবা ...।

তোমথীন :- (লাংতক্লনা হায়বা) করি হায়রিবা?

কোরৌঙানবী :- মানা হায়রিবা ঐখোয় খুঙ্গংসে শেমগৎ শাগৎতুনা অৰা-অপা লৈতবা, নুংঙাই য়াইফবা খুঙ্গং অমা ওইনবা মানা হেক ঙল্লিবমখৈ হোৎনরনি হায়রিবা।

তোমথীন :- মতম অসুক কুইবসি কনানসু হন্না য়েংবীদ্রবা লৈকংলা ওনখ্রগদরা মীপাইরবা, মতমগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চৈথেং ফংলবা ঐখোয়গী খুনসে কনবীনবা মীওই থোরক্লবোরে, কোরৌঙানবী ঙসিসি য়াম্না নুংঙাইবা নুমিৎনি, লাকও ষণশিংসি হোইগৎলসি য়ুমদা হল্লসি।

কোরৌঙানবী :- উম চৎলসি লাকও।

তোমথীন :- হায় ... অঙৌবী... অরাঙবী... অমুবী... অঙাংবী লাকও লাকও য়ুমদা হল্লসি লাকও (খোঞ্জেল অসুম লাপথোকখিবা)

-ম্যুজিক-

(মফম: খুঙ্গংগী লম্বী, গাড়ী থৌরকপগী মখোল)

সনাতোম্বী :- লনচেনবা গাড়ীদু খরা তপ্লপ থৌ।

লনচেনবা :- কৈদৌরগে ইচে, অসুক তপ্না থৌরিসিদি, সিদগী অমুক তপথনা থৌরদি সুংয়ৌ য়ৌবা নাইররোই।

সনাতোম্বী :- মফমসিগী হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভমশিংসে অসুম ওবর্জাব তৌনা তৌনা চৎসি অদুগা হোংলক্লিবা শক্লোনশিংসে অমুক কমদৌনা শেমগৎ শাগৎকদগে হায়বদু খন্না খন্নদুনা চৎশি, য়ৌনিংবা কান্দা য়ৌজসনু।

লনচেনবা :- ইচে চহি খরাসিদা মফমসিগী ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎ কন্দিসনদা খঙহোং হোংলক্লিবসি অঙকপা পোকই ঐদি।

সনাতোম্বী :- করিবু ঙক্লিংঙাই ওইগেনে, হৌজিক মালেমসিদা হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল, নোংজু নুংশাগী চাংদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরক্লিবা, ঋতুগী খোঙচৎতা অহোইননা অশোয়বা অকায়বা কয়া অমা ওইরক্লিবসি ঐখোয় মীওইবনা থোকহনজবনি হায়বসিদি নহাক য়ানিংব্রা?

লনচেনবা :- অদুদি য়ামনা চুল্লবা ৱাফমনি ইচে, মদুদবু অমুক য়ানিংদবা হায়বা অমমুক লৈখিগদরা?

সনাতোম্বী :- মালেমসিদা ফংলিবা নেচরেল রির্ছোসশিং নোংমা নোংমগী ময়েং তাশিল্লকলিবা, উমং-ৱামং কা হেন্না কোকথোরক্লিবা মরম ময়ামসিদগী ওইরক্লিবনি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিবসি মসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি ঐকোয় করি তৌবা য়াই।

লনচেনবা :- ইচে ঐগী ওপিনিয়ন হায়যু হায়রগদি মালেমসিদা মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুক্কে লনগৈ ময়েং খংতা তারক্লবগী মরম অমসুনি, ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন লাকঙৈদগী ফোশিল ফ্যুএলশিং, কয়লা, পেট্রোলিয়ম, নেচরেল গ্যাস কাহেন্না শিজিন্নবদগী এটমোস্ফিয়ারদা গ্রিন হাউস গ্যাস কাহেন্না থাদোরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি ওইহল্লকইবনি মরম অসিনা ঐখোয়না ফোশিল ফ্যুএল শিজিন্নবগী চাং হন্থবা তাই, উমং-ৱামং য়োকখৎপা তাই।

সনাতোম্বী :- চীংয়া তময়াদা লৈবা মীওই অয়াম্বা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজদবনা উমং-ৱামংগী পোৎথোকশিংদা তাংদুনা হীংবনা অয়াম্বনি। উমং-ৱামং কোকথোকপা

থীংগে হায়রবদি, মীওইশিং অসি গ্রান তাহন্দুনা অমদি মখোয়গী শেন্থোক লন্বী অমমম পীবীবা তঙাইফদে। ৰারীসু নুংঙাইরি থোইবহোয়গী ময়ুম য়ৌগদবসিবু কয়াম ৰাৎলিবগে?

লনচেনবা :- (ব্রেক খংফা ফাবা) ইস ! ইচেনা থোইবাহোয়গী য়ুম হংলকঅমদ্রবদি হেন্দোকঅগা চৎলমগনিদা, মোয়গী থোঙ্গাল মপা চপ চানা য়ৌরে।

-ম্যুজিক-

(মফম: থোইবগী য়ুম, মতম - অয়ুক)

থোইবা :- (হরাওনা) ইচে চংবিরকও... লনচেনবা চংঙকও লাকও, ইচে য়াওরক্কনি হায়বদুদা ঙসাইদগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরবনি।

সনাতোম্বী :- থোইবা ! কুইরেদা ইচিল ঈপ্পা উনরকত্রিবা মতমসে, নঙনা ইম্ফালদা কোলেজ তমদুনা লৈরিঙৈদা, নঙনে লনচেনবনে ইচিল ঈপ্পা ঐখোয় অহুম চাক পুখম অমতদা পুন্না পুন্না চামিন্নখিবদু নীংশিংলুরগা নুংশিদ্রা?

থোইবা :- ইচে, ইচেনা ইনভারোনমেন্ট ডিপার্টমেন্টকী ডিপুটি দাইরেক্তর ওইরকপসে ঐদি ওন্থোক্লা নুংঙাইজৈ, ঐখোয়গী শোৎথরবা অকোইবগী ফীভম কায়শিল্লক্লবা খুঙ্গংসেস, ইচে অমদি লনচেনবনা হোৎনবীদুনা অমুক্তদি ঐখোয়বু মরেক মহাও থোক্লা হীংবা ঙমহনবীয়ু।

লনচেনবা :- খুঙ্গং অসিবু অশং-অমানতনা থল্লবা মহৌশা লাইরেম্বীগী শান্নফম ইং চীল্লবা মফম অমা ওইনা শেমগৎপা হায়বসি খুন অসিগী মীওইশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

সনাতোম্বী :- (কোরৌঙানবী সনাবুল অমা পুদুনা চংঙকপা উবা) ইবেম্মা ! নঙবু কোরৌঙানবী নত্রা?

কোরৌঙানবী :- ফনি ইচে, ইচেনা মেদাম সনাতোম্বী মানিকো, মেদাম।

সনাতোম্বী :- করিগী মেদাম হায়রিবনো? ঐসে নখোয়গী নচে সনাতোম্বীনে, নঙনা ঈশিং শোক্লুলুরিদুবু কদাইৰাইদগীনো?

ইচে :- স্বাইগী অনকপদা লৈরিবা পুখ্রি পুন্নমক লোয়না ঈশিং কংখ্রে, আ খুন্দোন্দা পুখ্রি অমখক্তং ঈশিং খরা লৈরি, অদুদগী শোক্লুবনি। ইচে ঐ চানুং অমুক্তা লোল্লুখিগে, অদুগনে ইচে ঙসিদি হাওবা হাওতবা চাক চাখিদৌনিকো।

লনচেনবা :- ঙসিদি ঐখোয়দি পাক হল্লরোইদবনি কোরৌঙানবী, নঙনা পীজনিংবা খুদিংমক লোইনা পীজরো, নবুংদি চাথরদবনি ইচলনা পীজবা খুদিং।

থোইবা :- ইবেম্মা চাদু হান্না অমুক্তা লোল্লকউ।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ (চঙখিবা)

তোমথীন :- (ঙাং ঙাংদুনা চংঙকপা) লৌবুক লমহাং পুন্নমক লৈত্রুক চৎলে, কদায়দগী শাজিকনো ঐনা ফানগদৌরিবসিবু, ঐনা পুরক্লিবা শজিক খরসিনদি ষণবী মরি মঙাসি মপুক থনবা ঙম্লরোই, কমদৌদোইনো তৌরিসিবো (শজিক মপুন্দু দম থাদবা)।

থোইবা :- হায় তোমথীন কৈদৌরে নতোমতা মরুম মুরুম শোল্লিবদুবো?

তোমথীন :- তাচৌ শজিক ফানফম লৈশিল্লক্তরে, শজিক অমতা চোংদরে, কমাইতৌদোইনো খঙদরে মথা শারে।

থোইবা :- থোকঅ থোকঅবা লাকচরনি ইনাওসিদি, সিদা চংঙকউ লাও, ইম্ফালদগী ঐগী মরুপ লনচেনবগা ইচে সনাতোম্বীগা ঐখোয়বু উনবা লাকই, নঙসু ইচেহোয়গা শক খঙনহৌরোলাও।

তোমথীন :- (চংঙকপা) আ ময়াম পুন্নমক খুরুমজরি।

সনাতোম্বী :- ঙসি ইচেহোয়না মফম অসিদা লাক্লিবসে খুঙ্গংসিগী কায়থরক্লবা মহৌশাগী ফীভম অসি অমুক শেমগৎ শাগৎতুনা নুংঙাই য়াইফবা, ৱাৎতা ফাদবা অশেংবা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফম অমা ওইহন্নবা পান্দমদা লাক্লিবনি।

লনচেনবা :- রুরেল ডিভলপমেন্ট ডিপার্টমেন্ট অমদি ইনভাইরোনমেন্ট ডিপার্টমেন্ট অনিনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা খুঙ্গং অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহল্লিবা অমাংবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা প্রোজেক্ত খরা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি, মসিদা ইনাও তোমথীনসু থৱায় য়াওনা হোৎনবীগদবনিকো।

তোমথীন :- সারহোয়, মেদামহোয়না তৌ হায়বা খুদিংমক তৌজগনি অদো মেদাম ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিবসি কমদৌনা কমাইনা ওইরক্লিবনো?

সনাতোম্বী :- মফম অমগা অতোপ্পা মফম অমগগী ক্লাইমেৎ হায়বদি অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম অসি অমতা মান্নদেকো। ঐখোয়না ক্লাইমেৎকী মরমদা খঙগে হায়রবদি ৱেদর হায়রিবা অসিসু খঙবা য়াম্নমক মরু ওইকো।

থোইবা :- ইচে ৱেদর হায়রিবসিনা হৌজিক, হৌজিক্কী নত্রগা নোংমা নোংমগী ওইরিবা অতেনবা মতমগী ওইবা, ঈশিং-নুংশিৎ, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম অসিনিকো।

সনাতোম্বী :- উম ফনি, হায়রিবা মফম অমগী ৱেদরগী মওং মতৌশিং অসিগী চহি কয়াগী রেকোর্দশিং অদুগী চাংচৎ অদুবুনিকো মফম অদুগী নত্রগা লমদম অদুগী ক্লাইমেৎ কী মওং মতৌ হায়রিবসি।

কোরৌঙানবী :- ময়াম চা থকঅসে চা পুরকএ, সিদা থল্লগে। ইচে, চেং কবোকসু য়াওরিয়ে সে চারো, ঐনা হৌজিক শারকপনি।

সনাতোম্বী :- কদায় কদায় ... (চাবা)। হাওখ্রেদা ওন্থোক্লা ইনাওগী চেঙ কবোকসিদি, কুইরেদা সুমাইনা চুহি অশেংবনা শাবা চেং কবোক্কা চাবা ফংলক্তবা, হাওরে হাওরে।

লনচেনবা :- হাওই ঙসি ইচলগী চেং কবোকসে, অঙাং ওইরিঙৈদা অবোক পুরেন্না পীজখিবদু নীংশিংলকই।

থোইবা :- ইচে গ্লোবেল ৱামিং গা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং অদুসু খঙনিংই।

সনাতোম্বী :- এটমোস্ফিয়ারদা য়াওরিবা গ্রিন হাউসশিং হায়বদি ৱাটর ভেপর, ঈশিং মনিল কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ওজোন, ক্লোরোফ্লোরোকার্বোন অমদি হাইদ্রোফ্লোরোকার্বোনগী চাংশিং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলক্কুনা নুংশাগী মৈশা কা হেন্না চুপশিন্দুনা মালেম পৃথিবী অসিগী শাবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবনিকো।

তোমথীন :- মেদাম, নোং তাগদবা মতমদনা হেক তাদা তারোইদবা মতমদনা হেক তা, অইং-অশাগী চাং অসিসু মহৌশাগা ইমান মান্নরক্ত্রিবা অসিসু গ্লোবেল ৱার্মিংগা মরি লৈনব্রা?

সনাতোম্বী :- উম মরি য়াম্না লৈনৈ অদুগনে মালেম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনলক্লিবা অসি ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌওং কয়াদগী থোকহল্লকলিবনিকো।

লনচেনবা :- নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলক্লিবগী মতিক মালেম অসিগী শাবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্কদৌরিবনি। নাসাগী গোর্দাদ ইনস্টিট্যুট ফোর স্পেস ষ্টদিজ (জি. আই. এস. এস.) কী সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না মালেম পৃথিবী অসি ইং ১৮৮০ দগী হৌজিক ফাওবদা সেলসিয়স ডিগ্রি ০.৮ শাবগী চাং হেনগৎলে হায়রি।

কোরৌঙানবী :- ইচে মালেম অসি অসুম অসুম শাবা হেনগৎলক্লবদি থৱাই পানবা অমতা মালেমসিদা হীংদুনা লৈবা ঙল্লরোইকো।

সনাতোম্বী :- উম কনামতা লৈবা ঙল্লরোইদৌরিবনি। ৱার্ল্ড মেটরিওলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ. এম. ও.) গী রেকোর্দকী মতুংইন্না ইং ১৯১৩ গী জুলাই থাগী তাং ১০দা ফরনাস ক্রিক হায়রিবা কালিফোর্নিয়াগী মফম অসিদা শাবগী চাঙ অসি সেলসিয়স ডিগ্রি ৫৬.৭ গী চাং য়ৌখি হায়রি।

থোইবা :- ইস ! অকিবগী মশকনি অদুক শাবা ! মালেম অসিগী মফম খুদিংদসু শাবগী চাং অসি অসুম হেনগৎলক্লবদি ঐখোয়দি করম হীংগনি?

লনচেনবা :- ইং ২০০৩ গী মেগী তাং ১০দা অন্ধ্রা প্রদেশকী বিজয়াৱাডা সিটিদা শাবগী চাং অসি সেলসিয়স ডিগ্রি ৪৯ য়ৌখি।

তোমথীন :- ঐখোয়গী লৈবাক ভারতসিসু শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলবকো।

সনাতোন্বী :- হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অসিনা অনট্রাটিক্কাগী সোভিয়েৎ ভাষ্টোক ষ্টেসনগী লৈমায়দা ঈংবগী চাং অসি ইং ১৯৮৩ গী জুলাই তাং ২১দা সেলসিয়স ডিগ্রি -৮৯.২ য়ৌখি।

কোরৌঙানবী :- ইস ! মফম অদুদি ওন্থোক্লা ইংলমখ্রনিদা।

লনচেনবা :- ইং ১৯৯৩ দগীনা ইং ২০১৮ ফাওবদা সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি ৱাখৎলকপগী চাং অসি চাদা ৪২গী চাং য়ৌখি। টেম্পরেৎ গ্লেসিয়র শৌদোরকপগী চাংনা চাদা ২১, গ্রিনলেন্দগী ঊন মপাকশিং শৌদোরকপগী চাংনা চাদা ৮লোমনি। ক্লাইমেট সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না ঊন শৌদোরকপগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎল্লকখিগনি হায়না হায়রি।

থোইবা :- মালেম অসিদা ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, অইং-অশাগী চাংদা অহোংবা অকায়বা কয়া লাক্লিবসিদগী ঙাকথোক্নবা উপাই কয়া তৌহৌদ্রবদি মতম খরগী মতুংদদি মালেম অসি খুন্তাক লানশিরনি।

সনাতোন্বী :- ইউনাইটেদ নেসন্সস ফ্রেম ৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (ইউ. এন. এফ.সি. সি. সি.) না ইং ১৯৯৪ দগী মালেমগী ওইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ দগী ঙাকথোক্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরে।

লনচেনবা :- মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টস, গোর্ভনমেন্ট ওফ ইন্দিয়া নসু ইনভারোনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্ট ইং ১৯৮৬ তগী শেমদুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরে।

সনাতোন্বী :- ঙসি ঐখোয়না মফমসিদা নখোয়বু উনবা লাক্লিবা অসি ইকো-ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া লৌখৎতুনা, নেসনেল এদাপটেসন ফন্দ ফোর ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (এন. এ. এফ. সি. সি) দগী শেন্থং কয়া লৌথদুনা খুঙ্গং অসি শেমগৎ শাগৎলসি হায়বা লাক্লিবনি।

তোমথীন :- মেদাম অদুদি য়াম্না ফবা থবকনি, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ মেদামহোয়গী তুংইন্দুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপদা মায়রোং য়াজগনি।

থোইবা :- উমং-ৱামং কয়া য়োকখৎপনা ঐখোয়গী ইথৌদাং ওইরসি মালেম অসিবু কল্লসি।

সনাতোন্বী :- কোরৌঙানবী ইচে ৱা অমা হায়গে।

কোরৌঙানবী :- করি ওইরবনো ইচে?

সনাতোন্বী :- নহাক ইম্ফালদা লৈদুনা ওর্গানিক ফার্মিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা য়াওদবা য়াদরে।

কোরৌঙানবী :- ঐবু হৈগদ্রনে ইচে?

সনাতোন্বী :- করিগী হৈতনি, ইচেনা পুন্নমক তাক্কদৌরিবনি।

থোইবা :- ইচেখোয়না ফনবা পুন্নমক শিনবীয়ু ।

লনচেনবা :- ৱারীদা পুংসু আ য়ৌশিনখরে, ইচে, থোইথোইবা ঐখোয় অহুম খুনসিগী লমীৎ তুমীৎ, ঐখোয়না থবক পায়খৎকদবা মফমশিং অমুক্তা য়েংলুখিসি, চৎসি লাকও।

সনাতোম্বী :- হোয় চৎলসি য়েংঙুরসি।

থোইবা :- কোরৌঙানবী... তোমথীন নবানি চাক ঈশিং থোংমীন্নরম্মুকো, ঐখোয় থুনা হল্লক্কে। (চৎখিবা)

তোমথীন :- কোরৌঙানবী নঙ ইম্ফালদা চৎপা তারবা (নুংঙাইতনা হায়বা)।

কোরৌঙানবী :- মতম খরাখক্কী চৎপবু কৈদৌগে, খুন অসিগী য়াইফনবগীদমক চৎকদৌরিবনি। অদো ঐনা চৎখিবৈদা ঐখোয় তাচৌসে খরা য়েংশিনবীরম্মু।

তোমথীন :- হোয় য়েংশিনলমগে... ঐবুদি কনানা য়েংশিনবীগনি।

কোরৌঙানবী :- তোমথীন।

-ম্যুজিক-